

*জর্মনিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী মরুওইবা ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্কী সিজন অসি লোইবা ফাওবগী মেনেজর ওইরগদবা হান্সি ফ্লিক*



*চহী ৬ থংন–থংননা লী লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা গোল ৫০ চনবগী রেকোর্দ থমখ্রবা বার্সেলোনাগী ষ্টার লিওনেল মেসি*

## অরোইবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৪ দা থোইদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌখ্রে

*কট্টক, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না য়ুম্থু ওইদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌখ্রে।



*অহুমশুবা ৱান দে মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং*

অরোইবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৫ আওট ওইরগা রন ৩১৫ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেট্টিং চাংচৎতা ফজনা লাকখি। ওপনর ইভিন লেৱিস ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর সাই হোপসু রন ৪২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অপুনবা ৱিকেট অনী আওট ওইবদা রন ৭০ লৌদুনা লৈখি।

নৌনা চঙলকখিবা রোষ্টোন চেজ অমসুং সিমরোন হেটমেয়রনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অপুনবা রন ১০০ লাম্থোকহল্লকখি। সিমরোন হেটমেয়র বোল ৩৩ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি। রোষ্টোন চেজসু রন ৩৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেট্টিং অসিদা ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা নিকোলাস পুরাননা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৬৪ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৮৯ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। টিম অসিগী কেপ্টেন কৈরোন পোল্লার্দসু য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৫১ দা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৭৪ লৌরম্বদগী টিম অসিগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৫ আওট ওইরগা রন ৩১৫ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা নভদিপ সাইনিনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ২ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। মোহমদ সামী, স্রাদুল থাকুর অমসুং রভিন্দ্র জাদেজাসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন অমমম আওট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মেটচ অসি মায় পাক্লবা রন ৩১৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৪৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা বেটসমেন ৬ আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা ৱান দে মেটচ অসি ৱিকেট ৪ দা মায় পাক্তুনা সেরিজ ২–১ দা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা য়াম্না ফজরকখি। ওপনর অনীনা অপুনবা স্কোর ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা বোল ৬৩ দা সিক্স ১ অমসুং ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৬৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। রোহিট শর্ম্মানা ঙসি লৌরম্বা রন অসি থারগা চৎলি চহী অসিদা ওপনর অমনা খ্বাইদগী য়াম্না লৌবগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা অতোপ্পা ওপনর লোকেস রাহুলগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ১৫০ লাম্থোকহনখি। লোকেস রাহুল বোল ৮৯ দা রন ৭৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা বোল ৮১ দা রন ৮৫ লৌরমখি।

৭শুবা বেটসমেন রভিন্দ্র জাদেজা অমসুং ৮শুবা বেটসমেন সারদুল থাকুরনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৩৯ অমসুং ১৭ লৌরম্বদগী মেটচ অসি ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪ দা মায় পাক্তুনা সেরিজ লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লিংদা কিমো পোলনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইবা ঙমখি।

## ফির্মিনোগী গোলনা লিভরপুলনা ফ্লামেঙ্গোবু ১–০ দা থোইদুনা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী অহানবা টাইটল লৌখ্রে

*দোহা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

কাটারনা য়ুম্থু ওইরগা চথরকপা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রোবার্টো ফির্মিনোগী এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা অমত্তা ঙাইরগা গোলনা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা ব্রাজিলগী ক্লব ফ্লামেঙ্গোবু গোল ১–০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌখ্রে।



ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মেক্সিকোগী ক্লব মোন্টেরিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা লিভরপুলগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা ব্রাজিলগী ক্লব ফ্লামেঙ্গোনা মখোয়না শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা সাউদি অরাবিয়াগী ফুটবোল ক্লব অল–হিলালবু গোল ৩–১ দা থোইরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। মেটচকী ৭শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই মোহমদ সালাহনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট আলেকজেন্দর আর্নোল্ডনা গোল তম্না কাওশিনবদা গোল পোষ্টতগী খজিক্তং থৈদোক্তুনা চৎখিবদগী গোল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ২৬শুবা মিনিটতা ব্রাজিলগী ক্লব ফ্লামেঙ্গোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই হেনরিক্কা বোল কাওশিন্নবা হোৎনবদা লিভরপুলগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু য়াম্না ফজনা ঙাকখিবদগী গোল ওইথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখ্রবসু ফ্লামেঙ্গোগী শান্নরোইশিংনা কাওন্টর এটেক কয়া চখদুনা মায়োক্লবা টিমগী দিফেন্স লাইন অদু থুগাইনবা হোৎনদুনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৪৭শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোই রোবার্টো ফির্মিনোনা টিমমেট জোরদান হেন্দরসনননা পীরকপা ক্রোস অমদা গোল তম্না কাউশিনবদা মায়কৈ ওন্ননা চৎখিরম্মী।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখিবদগী গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৮৬শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোই হেন্দরসন্না কাওশিনখিবা সোট অমা ফ্লামেঙ্গোগী গোলকিপর অলভেসনা য়াম্না ফজনা চোংদুনা ঙাকথোকখিবদগী গোল মাঙজিল থারম্বা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা রেফরিনা লিভরপুলগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। পেনাল্টি কিক অদু ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরিগী খূৎথাংদা কুপ্না য়েংলবা মতুং রেফরিনা পেনাল্টি অদু কেন্সেল তৌখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইখ্রবা মতুং এক্সত্রা টাইম শান্নরকপা মেটচকী ৯৯শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা ফ্লামেঙ্গোগী শান্নরোই রাফিনহাগী নাম্থোক্তুনা পুরকখিবা বোল অমদা লিভরপুলগী শান্নরোই রোবার্টো ফির্মিনোনা মেটচকী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা ফাইনেল মেটচ অসি ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা ব্রাজিলগী ক্লব ফ্লামেঙ্গোবু ১–০ দা থোইদুনা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## গোৱা মায় পাক্তুনা টেবলগী মকোক ওইখ্রে

*গোৱা সিটি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এফ সি গোৱানা ওড়িষা এফ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

গোৱাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্থু টিম ওইখিবা গোৱা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি। মেটচকী ১৯শুবা মিনিটতা টিম অসিনা চথরকখিবা এটেক অমদা কোরোমিনাসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী গোৱানা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। মখোয়না গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৮৫শুবা মিনিটতা গোৱা এফ সিগী শান্নরোই ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৮৯শুবা মিনিটতা গোৱানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা কোরোমিনাসনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৩–০ দা ওড়িষা এফ সিবু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক ওইখ্রে।

## মেরি কোম অমসুং নিখট জারীন ওলেম্পিক ক্বালিফয়রগী ত্রাইয়েলদা শরুক য়ারগনি





*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়ানবগীদমক ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৭ তগী নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েলদা সিক্স টাইম ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মণিপুরগী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোম অমসুং টেলঙ্গানাগী বোক্সর নিখট জারিন কেজি ৫১ কেটেগোরিদা শরুক য়ারগনি।

সেলেক্সন কম্মিটিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না টেলঙ্গানাগী বোক্সর নিখট জারিনবু নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবগী অয়াবা পীখিবনি। নিখট জারিনগা লোয়ননা মণিপুরগী মেরি কোম, আর এস পি বিগী জ্যোতি গুলিয়া অমসুং হরিয়ানাগী রিতু গ্রেৱাল কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারি। মেরি কোম্না অহানবা রেঙ্ক ওইরি। নিখট জারিননা অনীশুবা, জ্যোতি গুলিয়া অমসুং রিতু গ্রেৱালনা কেটেগোরি অসিদা মথংশিংনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা রেঙ্ক ওইরি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী মতুংইন্না চখগদৌরিবা ত্রাইয়েল অসিদা রেঙ্ক ৱানদা লৈবা বোক্সরনা রেঙ্ক ৪ দা লৈবা বোক্সরগা থিন্নগনি। অদুগা রেঙ্ক ২ অমসুং ৩ দা লৈবা বোক্সর অনী লম্বা তৌনগনি। বাওটশিং অসি লোইরবা মতুং মায় পাকপা বোক্সরশিং অদু ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি কেটেগোরি ৫ দা পাঙথোক্কনি। কেটেগোরি ৫ গী ফাইনেল বাওটশিংদা মায় পাক্লকপা বোক্সর অদুনা চাইনাগী সিটি ৱুহান্দা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ৩ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া এন্দ ওসিনিয়া ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগনি হায়না বি এফ আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নুপীগী কেজি ৫৭ কী কেটেগোরিদা সোনিয়ানা সোনিয়া লাথরগা লম্বা তৌনগনি অদুগা সাক্সিনা মনিসাগা থিন্নগনি।

নুপীগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর লাইশ্রম সরিত দেবীনা সোসি চোপ্রা থিন্নগনি অদুগা সিমরনজিৎ কৌরনা পভিত্রানা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী কেজি ৬৯ গী কাওলূপ্তা অসামগী লোভলিনা বোরগোহেননা দিল্লিগী অঞ্জলিগা থিন্নগনি অদুগা ললিতানা মিনা রানীগা থিন্নগনি। কেজি ৭৫ গী কাওলূপ্তা পুজা রানীনা ইন্দ্রাজা কে এগা থিন্নগনি অদুগা সাৱিটি বুরানা নুপুরগা থিন্নগনি।

## অহমেদবাদ প্রোভিজনেল ক্লিয়ারেন্স ফংখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা মথং চহীগী নবেম্বর ২ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু–১৭ ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ভেন্যু ওইগদৌরিবা অহমেদবাদতা লৈবা ত্রান্সষ্টেদিয়া এরেনা লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা য়ুম্থু ওইবগী প্রোভিজনেল ক্লিয়ারেন্স পীরক্লে।

ঙসি অহমেদবাদতা লৈবা ত্রান্সষ্টেদিয়াদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি (এল ও সি) গী টুর্নামেন্ট ডাইরেক্টর ওইরিবা রোমা খান্নানা হায়, অহমেদবাদপু য়ুম্থু ওইনবগী প্রোভিজনেল ক্লিয়ারেন্স পীরকপদা নুংঙাইবা ফাওই। গুজরাটকী লৈঙাক্না ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্থু ওইনবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরিবা অসিদা অপেনবসু ফোঙদোকখি।

ত্রান্সষ্টেদিয়া এরেনা অসি লৈবাক অসিগী ষ্টেদিয়মশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা খুদোংচাবশিং ফংলিবা মফম অমনি। ঐহাক্না গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেদিয়ম ওঠোরিটিবু ইন্দিয়ান ফুটবোল চাওখৎনবগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না রোমা খান্নানা মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াই, অহমেদবাদকী ত্রান্সষ্টেদিয়া অসি ফিফা দেলিগেসন্না নবেম্বর ৩০ দা য়েংশিল্লম্বা মতুং ঙসি রিপোর্ট পীরকপনি হায়রি।

## স্পেনগী নদালনা মুবাদালা ৱার্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী ৫রকশুবা টাইটল লৌখ্রে

*অবু দাবি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

য়ু এ ইগী কোনুং অবু দাবিনা পাঙথোকখিবা মুবাদালা ৱার্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী রেকোর্দ ওইনা ৫রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।



মুবাদালা ৱার্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ৩শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলশিংদা স্পেনগী রাফেল নদালনা ৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী কারেন খচানোভপু ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা গ্রিসকী সিটসিপাসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু ৩–৬, ৭–৬(৭–৪), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা সেট টাই ৱ্রেক্তা গ্রিসকী সিটসিপাসনা স্পেনগী নদালবু ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক হৌবদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা গেম অনী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী রাফেল নদালনা লৌবা ঙমখিবদগী সেট অসি ৭–৫ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসি সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অহুমশুবা অমসুং দিসাইদিং সেটতসু শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নদুনা অমনা অমবু হেনজিনবা ঙম্নদনা লাকখি। সেট অসি ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা অহুমশুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু টাই ৱ্রেক সেটতা ৭–৫(৭–৩) দা থোইদুনা মুবাদালা ৱার্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী ৫রকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

মুবাদালা ৱার্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা ২শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী কারেন খচানোববু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা ফংখি।

অহানবা সেটতা লম্বা মান্নরকপদগী জোকোভিসনা ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা জোকোভিসনা খচানোভপু য়াম্না লায়না ৬–৩ দা থোইবা ঙমখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লৈকেষ্টর সিটিবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) ঃ*

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লৈকেষ্টর সিটিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী ২২শুবা মিনিটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোই জেমী ভর্দিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই রিয়াদ মহারেজনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৩শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পেনাল্টি অমা ফংখি। পেনাল্টি কিক অদু ইলকে গুন্দোগাননা গোল ওন্থোক্তুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৯শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা গাব্রিয়েল জিজসনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৩–১ দা মায় পাকখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা জেনোৱাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ইন্টরগী শান্নরোই রোমেলু লুকাকুনা গোল অনী চনবা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৭৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | A | N | C | E | ■ | T | R | A | P | ■ | R | O | S | Y |
| A | M | O | R | E | ■ | H | E | R | R | ■ | A | N | T | E |
| L | I | T | E | R | ■ | A | T | T | O | R | N | E | Y | S |
| I | D | E | A | ■ | F | I | R | S | ■ | A | T | A | L | E |
| ■ | ■ | ■ | M | O | O | S | E | ■ | A | I | S | L | E | S |
| I | N | S | I | D | E | ■ | A | R | I | D | ■ | ■ | ■ | ■ |
| R | A | C | E | D | ■ | ■ | T | A | D | ■ | S | H | E | A |
| A | M | A | S | S | E | D | ■ | P | E | R | T | U | R | B |
| S | E | N | T | ■ | V | I | A | ■ | ■ | E | R | N | I | E |
| ■ | ■ | ■ | ■ | L | E | E | R | ■ | A | B | A | T | E | D |
| T | A | S | T | E | S | ■ | S | A | G | A | N | ■ | ■ | ■ |
| E | L | T | O | N | ■ | D | E | M | O | ■ | G | N | U | S |
| M | O | O | N | S | H | I | N | E | ■ | L | E | A | S | E |
| P | U | R | E | ■ | I | R | A | N | ■ | A | S | S | E | T |
| O | D | E | S | ■ | M | E | L | D | ■ | S | T | A | R | S |


SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL
Recognised by the BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days